**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

২) মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যব্রতনা হায়রি- সোসিয়েল মিদিয়াবু মাইকৈ চুমা অমদি অফবা মওংদা শিজিন্নশি।

৩) নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে ২০২৬ কী অহানবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌদুনা অঙাংশিংদা তিল লৈতনবা হিদতাক পীজবা হৌখ্রে।

৪) সরকারনা হায়রি- লৈবাক অসিদা থাউ মরাং কায়না লৈরি, মমল হেনগৎপগী ৱাফম লৈতে।

অমসুং

৫) লোক সভাদা ঙসি ফাইনান্স বিল ২০২৬ য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রে।

**------**

সিএম (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি হেন্না ফগৎহন্নবা রাজ্য সরকারনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাষ্ট্রপতিদা পাউদমখি। শান্তি হঞ্জিনহনবা, তংদু লৈতাবা পুরকপা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা

লাকহন্নবা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা রাজ্য সরকারনা হোৎনরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু মুখ্য মন্ত্রিনা মরিক চুমা পাউদমখি।

তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং শান্তি লৈরবদি মদুনা লমজিংদুনা চাওখৎপগী মাইকৈদা খোঙজেল য়াংনা চংশিনবা ঙমগনি। রাজ্য সরকারনা মসিগীদমক হোৎনরিবা অসি মখা তানা হেন্না কনশিন্না হোৎনদুনা রাজ্য অসিগী নাগরিক খুদিংমক অশোই অঙাম য়াওদনা নুংঙাই য়াইফনা হিংহনবা ঙমগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

স্পিকর (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়রি- সোসিয়েল মিদিয়াবু লান্না শিজিন্নবনা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোরকবগী অচৌবা মরম ওইরি। মরম অদুনা সোসিয়েল মিদিয়াবু মাইকৈ চুমা অমদি অফবা মওংদা শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর নহাবমদা মন্দনমোহনজি লাইশঙগী নৌনা শাবা মান্দপ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়- সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোরকপদগী মদুগী অচুম অরান খন্থদনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা ফাওবা য়াওখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়া হায়বসি য়ামা কান্নবা প্লেটফোর্ম অমনি। চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা অফবা লম্বীশিংদা শিজিন্নবগী মহুৎতা অরানবা পাউশিং পাক শন্না শন্দোরকপনা খুনাইদা মাংজবা কয়া থোকহল্লি। মরম অদুনা সোসিয়েল মিদিয়া শিজিন্নরিবশিংনা দাইত্ব খঙনা শিজিন্নগদবনি।

চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়- চরাংনবা অমদি তংদু লৈতাদবা ফিভমশিংনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা চাউনা খুৱৌ থাংলি। মরম অদুনা হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনমিন্নবা চংই। য়াইস্কুল কেন্দ্রগী মনুংদা পায়খৎলিবা অমসুং পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদসু মহাকা ফোংদোকখি।

ইনাৎ (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার লাইশ্রম রাধাকান্টনা হায়রি- ইনাৎ লাইনিংবু চেৎনা থাজবনি হায়দুনা ইশা ইশাগী অপাম্বা মওংদা ইনাৎ লাইনিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা মীয়াম পুন্না য়ান্নবা মওং অমদা চৎমিন্নবা ফৈ।

লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা থা ৬ চুপা চত্থগদবা অমাইপিবা শিনতাক শিনদম্বগী সার্তিফিকেট কোর্স অমা হৌদোকপগী থৌরম অমা শ্রী রাধাকান্টনা হায়- সনামহি টেম্পল বোর্দ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরনা পুন্না হোৎনদুনা ইনাৎ লাইনিংগা মরী লৈনবা কোর্স কয়া হাংদোকবা হোৎনরি।

উত্রা (এল)ঃ শজিবু লৈখুন তৌবা, কোংবা লৈথোং ফাৎপগী লাইথৌ থৌরম ঙসি সনা কোনুং উত্রা শঙলেননা শিন্দুনা কোংবা লৈঙাংপোকপী লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখুন তৌবদা অহানবদা মাইবা কোমদা মি অমা, অঙোম কোমদা তিল্ত্রোক ফংখি। পাখংবা কোমদসু তিল্ত্রোক ফংখি। লৈবাক্কী মাইচৌনা পীবা পাউজেল মতুংইন্না অঙাংশিং তিনচু লাইচুবা পীরি। অদুবু কুমশিগী কুম্মৈদদি ফগনি হায়রি।

তিল (এল)ঃ হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেট অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা লমফেলদা লৈবা আই.এম.এ হেরিতেজ হোলদা ঙসি নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে ২০২৬ কী অহানবা তাঙ্কক হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা দি-ৱার্মিংগী হিদাক পীজবনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা মরিক চুমা ফোংদোকখি। লৈকাই লৈকাইশিংদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি সেন্তর, স্কুলশিং অমদি অনা লায়েংশঙশিংদা দি-ৱার্মিংগী টেব্লেৎশিং ফংহল্লি। মতম চানা দি-ৱার্মিংগী হিদাক পীজদুনা তিল লৈতবা মশা মউ ফবা অঙাংশিং ওইহল্লশি হায়নসু ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হেলথ সার্ভিসেস দিরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমারনা হায়- অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থমবগীদমক সরকারনা পায়খৎলিবা দি-ৱার্মিংগী খোঙথাং অসিদা মমা মপা অমদি ওজাশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা মায় পাকহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌবাল জিলাগী মনুংদা লৈবা অঙাং লিশিং ৮২ দা ঙসি অহানবা তাঙ্কক্কী দি-ৱার্মিং টেব্লেৎ পীজখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা থৌবালগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার য়ুমাম রোবিতানা লুচিংদুনা অঙাংশিংদা দি-ৱার্মিংগী টেব্লেৎ পীজবা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- দি-ৱার্মিংগী হিদাক পীজবনা অঙাংশিংদা তিল লৈবদগী চাওজন থিবা, এনেমিয়ানা নাবা অমদি পুকিং ৱাখলগী লায়না কয়া লাকপা য়াবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ ৱাই. নোকুল য়াওনা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটকী মখাদা ষ্টেট হেলথ এজেন্সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিত, সি.এম.ঐচ.টি-পি.এম.জে.এ.ৱাই থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা স্কিমশিং অসিগী কান্নবশিং মরিক চুমা খঙহনবগা লোয়নননা কান্নবশিং লৌননবসু ফোংদোকখি।

কেম্প (এল)ঃ অতল ভায়ো অভিয়ুদে য়োজনাগী মখাদা মীৎতা ঙৌদোং লায়না নাব্রা খঙদোকপা অমসুং চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী ওইনা লেমা মীৎকী সরজরি তৌবগী কেম্পশিং ঙসি নোনে জিলাগী

লোংমাই পার্ট-থ্রিদা লৈবা মল্টিপরপজ হোল অমসুং খৌপুমগী সব-দিভিজনেল ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস নোনেনা পিপল ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসন ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা মী ৬০ চ্যেক তৌবদা মীওই ১২ ঙৌদোংনা নারম্বা থেংনখি।

সেনাপতি জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, দিরেক্তোরেট ওফ সোসিয়েল ৱেলফ্যার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগা পুন্না খুৎশমদুনা অতল ভায়ো অভিযুদে য়োজনাগী মখাদা মীৎতা নাবা ঙৌদোং লায়না খঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ফোল্ক (এল)ঃ রিদমস ওফ মণিপুরগী কাংবুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরোম মৈস্ত্রাউদা লৈবা স্কুল অমদা ঙসি ফোল্ক ম্যুজিক্কী মতাংদা মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীখ্রে। খোঙথাং অসি রিদমস ওফ মণিপ্‌রনা রাজ্য অসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা ফোল্ক ম্যুজিক্কী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবগী পান্দমদা লেপ্তুনা চথুরকপা তাকপী তম্বীবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি হায়রি।

জনতা দল (এল)ঃ জনতা দল য়ুনাইতেদকী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিশ কুমারবু অমুক হন্না দল অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খল্লকপদা জনতা দল য়ুনাইতেদ, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী বিরেন্না বিহারগী মুখ্য মন্ত্রিসু ওইরিবা নিতিশ কুমারদা ইবা চিঠি অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

কন্দেম (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল নিংথৌবুং লৈকাইদা লৈবা কংগ্রেসকী লুচিংবা অমগী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা কিহন খঙহনবগী থবক চথুরম্বা অদুবু কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিকী লুচিংবা কৈশাম মেঘচন্দ্রনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। মীচম মীয়াম লৈবা মফমদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহনবা অসি য়ামা চুমদবা থৌওংনি।

ৱারোল অমদা শ্রী মেঘচন্দ্রনা হায়- থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং সরকারনা ফাগৎতুনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি।

পঞ্চায়ট (এল)ঃ মণিপুর পঞ্চায়াতি রাজ এক্ট ১৯৯৪ গী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বর খন্নবগী মীং থাজিনবগী মতম শাংদোক্লে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ নেভেদিতা লাইরেনলাকপমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বর ওইনিংবা মীওইশিংনা মথং থাগী তাং ৬ কী নুংথিল পুং মরি তাবা ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন ফোর্মশিং থাজিল্লকপা য়াগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বরগী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং থাজিনবগী মতম এপ্রিল ৬ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

কমিতি (এল)ঃ মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্দুনা ইং চিকপা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ফ্রেন্দস ওফ মণিপুর হায়না মীংথোনবা কমিতি অমা পুনেদা শেমখ্রে। কমিতি অসিনা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা অমসুং অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি।

থাউ ঃ লৈবাক অসিদা শুংদোক্লবা থাউ টন কোতি ২৬ ফংগদবা, শুংদোক্ত্রিবা থাউ মরাং কায়না লৈরি। মরম অদুনা মীয়ামা তোকঙা থাজদুনা পাখৎপদগী থাউ হেন্না লৈশিনদনবা কেন্দ্র সরকারনা আপীল তৌরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা পাঙথোকপা ইন্তর মিনিষ্ট্রিয়েল ব্রিফিং অমদা পেত্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসকী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- হৌজিকমক্কী ওইনা পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎপগী ৱাফম লৈতে।

নিরমালা ঃ লোক সভাদা ঙসি ফাইনান্স বিল ২০২৬ য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রে।

সভাদা বিল অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী পাউখুম পীরদুনা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- সরকারনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিং, এম.এস.এম.ই অমসুং কোওপরেতিভশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি। মহাকা হায়- হিরমশিং অসিদা হেন্না মীৎয়েং চংবা অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিং থবক ফংবগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং পুমমক্কী চাউখৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা মরুওইবা হিরমশিং- দিজিতেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইলেক্ট্রোনিক্স মেন্যুফেকচরিং, মেরিন প্রদক্স, লেদর, ক্রিতিকেল মিনরেলস, ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি য়াওনা লম কয়াদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা হেন্না খুমাং য়াংশিন্নবা হোৎনগনি।

বৈষ্ণো ঃ   কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- কোভিদ লোইরবা মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা অনৌবা রেলগাড়ি লিশিং ১,০২৪ নৌনা হোৌদোকখ্রে। লোক সভাদা ঙসি সপ্লিমেন্টরি ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা নৌনা হৌদোকখিবা রেল গাড়িশিং অসিগী মথক্তা হান্না লৈজরম্লিবা রেল গাড়িশিংদা অনৌবা দাবা লিশিং ৪,৬৫১ হাপচিল্লে হায়নাশ্রী বৈষ্ণোনা ফোংদোকখি।

রাজনাথ ঃ   ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা বোর্দর রোডস ওর্গনাইজেসনগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সলটৈতিভ কমিতিগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- মীফম অদুদা ঙাকশেল, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ  মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা গোপালদেব মিক্সপু পাঞ্জল ১৮-৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহলাদা অমসুং ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিত ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী লিগ রাউন্দ লোইবা ফাওবদা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্টি-ফোরনা পোইন্ট ২০, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা পোইন্ট ১৭ অমসুং ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল ঃ  মনিপ্র ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি সাই এন.ই.আর.সি. নেচরেল গ্রাস ফুটবোল গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা- ভি.এফ.সি ককৱানা য়ু.কে.এফ.সি উরিপোকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। হয়েং কৈশামথোং এফ.সি অমসুং লংথবাল এফ.সি অমদি এফ.এল.ভি.কে.টি ক্বাকৈথেল অমসুং ই.এম.এফ.সি লন্নাই শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ  সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিসুবা সমরাম ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গেলেক্সি এলেভেন ফুনদ্রৈ অমসুং আই.টি.এফ.সি উচিৱা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

খেল্লো ঃ    তামিলনাদুগী চেন্নাইদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা খেল্লো ইন্দিয়া অসমিতা কিক বোক্সিং ৱিমেন্স নেসনেল লিগতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরদগী শান্নরোই মঙা অমসুং কোচ ১ য়াওবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। শান্নরোইশিং অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন ওফিসতগী ঙসি য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর ময়েংবম ভেতো সিংহনা লমথাখিবনি।

------